# গোৱা এসেমব্লিদা পাঙথোকখিবা পাঙ্গল চাংয়েংদা অনৌবা চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সাৱন্ত মায় পাক্লে



পনাজি, মার্চ২০(এজেন্সী):
গোৱা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা পাঙথোকখিবা পাঙ্গল চাংয়েংদা অনৌবা চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সাৱন্ত মায় পাকখ্রে।

মেম্বর ২০ না সাৱন্ত শৌগত্তুনা ভোট পীখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মেম্বর ১৫ না মহাক্কী মায়োক্তা ভোট পীখি। গোৱা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অপুনবা মেম্বর ৪০ লৈরবসু বি জে পিগী লেজিসলেটর ২ শিখিবগা লোয়ননা কোংগ্রেস এম এল এ অনী ফম থাদোকখিবা মরম্না হৌজিক হৌজিক হাউসকী অপুনবা মেম্বর ৩৬ লৈরি।

চহী অসিগী মনুংদা বি জে পিনা কোংগ্রেসপু হাউসকী পাঙ্গল চাংয়েংদা মায়থিবা পীবা হন্দক্লা অনীরক শুবনি। কোংগ্রেসনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওই হায়বগীদমক লৈঙাক শেম্ন বা ক্লেম তৌরকখিবা তারবসু বি জে পিনা গোৱা ফোরৱার্দ পার্টি অমসুং মহারাস্ত্রৱাদি গোমন্তক পার্টিগা খুৎশম্ন দুনা লৈঙাক পায়খি।

চীফ মিনিষ্টর মনোহর পারিকর লৈখিদ্রবা মতুংদা বি জে পিনা চুংশিন্নবা লৈঙাক মখা তানা লৈহন্নবগী পান্দমদা লৈঙাক পায়মিন্নরিবা পার্টিশিংগী ওইনা মীফম অমা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা গোৱা ফোরৱার্দ পার্টি অমসুং মহারাস্ত্রৱাদি গোমন্তক পার্টিনা মখোয় মখোয়গী মীহুৎতা চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নবা পুখৎলকখি। অকোনবদা য়ানবা পুরকপদগী প্রমোদ সাৱন্তপু অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা খনখিবগা লোয়ননা গোৱা ফোরৱার্দ পার্টিগী বিজয় সরদেসাই অমদি মহারাস্ত্রৱাদি গোমন্তক পার্টিগী সুদিন দবলিকরবু দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইনা খনখি। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা প্রমোদ সাৱন্টপু গোৱাগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবনি। হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মনোহর পরিকার লৈখিদ্রবা মতুংদা সাৱন্টপু অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা খনখিবনি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোক্লবা মতুংদা সাৱন্টনা পাউমীশিংদা হায়খি, লৈখিদ্রবা মনোহর পরিকারগী মহুৎ শীন্দুনা চীফ মিনিষ্টরগী থৌ পুবা অরায়বা নত্তে। অদুমওইনমক মীয়ামগী অপাম্বা ফংহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। পুন্না এম এল এ ৪০ লৈবা গোৱা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা মেম্বর ১৪ লৈবা কোংগ্রেসনা সিঙ্গল লাজেষ্ট পার্টি ওইরিবনি।

বি জে পিগী ওইনা এম এল এ ১২ অমসুং পার্টি অসিগা চৎমিন্নরিবা মহারাস্ত্রৱাদি গোমন্তক পার্টি অমসুং গোৱা ফোরৱার্দ পার্টিগীনা এম এল এ ৪/৪ লৈরি। ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অহুম্নসু বি জে পিগী লৈঙাক শৌগৎলকখি। গোৱাগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টরগী থৌ পুখ্রবা প্রমোদ সাৱন্টতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর রাজনাৎ সিংহনা য়াইফ পাউজেল পীবা লৈখ্রবনি।

ত্বীটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ডাক্তর প্রমোদ সাৱন্ট অমসুং মহাক্কী কাওন্সিল ওফ মিনিষ্টরনা গোৱাদা লৈরিবা মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। হৌখিবা চহী খরগী মনুংদা গোৱানা পায়খৎলকপা থৌরাংশিং মখা চখদুনা নুংঙাই য়াইফবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা অনৌবা চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সাৱন্টনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনসু গোৱাগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সাৱন্ট অমদি মহাক্কী কাওন্সিল ওফ মিনিষ্টরদা য়াইফ পাউজেল পীখি। মার্চ ১৯ গী নোংয়াই মতুংদা ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রবা মতুংদা রাজনাথ সিংহনা ত্বীটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, অনৌবা লৈঙাক্লা গোৱাদা লৈরিবা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মার্চ১৯ গী নোংয়াই মতুংদা প্রমোদ সাৱন্টপু গোৱাগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবগা লোয়ননা মিনিষ্টর ১১ সু ৱাশক লৌখি। নৌনা ৱাশক লৌখিবা মিনিষ্টর ১১ গী মনুংদা মহারাস্ত্রৱাদি গোমন্তক পার্টিগী সুদিন দব্লিকর অমসুং গোৱা ফোরৱার্দ পার্টিগী বিজয় সর্দেসাইসু য়াওখি। মখোয় অনীমক দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবনি।

চৈরকসিদা অনৌবা চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সাৱন্টনা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ ৮ গী মনুংদা মিনিষ্টরশিংনা পায়গদবা পোর্টফোলিও য়েন্থোক্লগনি। নোংমাইজিং নুমিত্তা মনোহর পরিকার লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাকপু গোৱাগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা খনখিবনি।

# পঞ্জাব নেসনল বেঙ্কতগী লোন লৌরগা চেনখিবা নিরাব মোদি লন্দনদা ফারে

ন্যু দিল্লি, মার্চ২০(এজেন্সী):
পঞ্জাব নেসনল বেঙ্কতগী লুপা ক্রোর ১৩,০০০ লোন লৌরগা চেনখি হায়বগী ৱাথোক্তা চেন্নবা নিরাব মোদি লন্দনদা ফারগা ৱেষ্টমিন্সটর মেজিষ্ট্রেটকী কোর্টতা পুথোকখ্রে।

ৱাথোক অসিবু থিগৎলিবা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকী ওফিসরশিংনা হায়খি, সেন্ট্রেল লন্দনগী হোলবোর্ন মেট্রো ষ্টেসন্দা ঙরাং মোদি ফাখিবনি। ইন্দিয়ানা নিরাব মোদি খুৎশিন্নরক্নবা হায়জখিবগী মতুং ইন্না মমাঙ চয়োলদা য়ুনাইটেদ কিংদমনা এরেষ্ট ৱারেন্ট ইশ্যু তৌবিনি। অদুমওইনমক য়ু কে পুলিসনা ফারবা নিরাব মোদি ইন্দিয়াদা খুৎশিন্নবগী মতাংদা লোগী ওইবা থৌরাং কয়া লৌখৎকন্দবা ৱাৎলি।

বেঙ্কতগী লুপা ক্রোর ৯,০০০ লোন লৌরগা চেনখিবা বিজয় মালিয়াবু ইনিদয়াদা খুৎশিন্নরক্নবগী মতাংদা মতম শাংনা লোগী ওইবা থৌরাং কয়া লৌখৎখিবগুম নিরাব মোদিসু য়ু কেন্দা ফারে হায়দুনা ইন্দিয়াদা তরাই তরাই হেক্তা খুৎশিন্নরকপগী ৱাফম লৈরোইদৌরি। য়ুনাইটেদ কিংদমনা হন্দক্তা বিজয় মালিয়া খুৎশিন্নবগী ৱাফম অয়াবা পীখ্রবনি। অদুবু ৱাফম অসি হৌজিকসু হোম ওফিসতা পন্দুনা লৈরি।

ইন্দিয়াদগী চেনখিবা নিরাব মোদিনা লন্দনগী ৱেষ্ট এন্দদা লৈবা সেন্টর পোইন্ট এপার্টমেন্টতা লোত্তুনা লৈ হায়না থাজনখি। মমাঙ থাদা মহাক্না লন্দনদা মমল তাংবা ফিরোল শেৎলগা থোরকপদা মীওই কয়ানা উহৌই হায়না ফোঙদোক্লবা লৈখি। মশাগী চহী ৪৮ শুরবা বিলিয়ন্যর অসি মমাঙ চহীদা ইনিদয়া থাদোক্তুনা চেনখিরম্মী। পঞ্জাব নেসনল বেঙ্কতগী অরানবা মওংদা লুপা ক্রোর ১৩,০০০ লৌথোকখ্রে হায়বা খঙনরকপদগী মহাক য়ু কেদা চেন্দুনা লোৎখি। ৱাথোক অসিদা চেন্নবা মহাক্কী মরী-মতা মেহুল চোকসিসু এন্টিগুৱা এন্দ বারবুদাদা চেন্দুনা মফম অদুগী সিটিজিন ওন্দুনা লৈখ্রে। পঞ্জাব নেসনল বেঙ্কতগী অরানবা মওংদা শেল লৌথোকখিবগী মতাংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না থিগত্তুনা লাকখি। কেস অসিগী মতাংদা সী বি আইনা হায়খি, নিরাব মোদি অমসুং মেহুল চোকসিনা শাশিন্নবা গরান্টিশিংগী মিং শীজিন্নরগা অরানবা মওংদা বেঙ্কতগী য়াম্লবা শেলফম লৌথোকখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নিরাব মোদি অমসুং মেহুল চোকসিগুম্বা শেঞ্জাও পায়বা ইনদষ্ট্রিয়লিষ্টশিংগী মতেং পাংই হায়না কোংগ্রেসনা মরাল শীরকখিবা মরম্না য়ু কেদা হৌজিক নিরাব মোদি ফারে হায়রিবা ৱাফম অসিনা বি জে পিগী মিংচৎ ফগৎহনবদা মতেং ওইনরগনি হায়না থাজনরি। হীরম অসিগী মতাংদা কোংগ্রেসনা হায়খি, ইন্দিয়া গর্ভর্নমেন্টনা করিমত্তা তৌবা ঙমদবদগী লন্দন টেলিগ্রাফকী পাউমী অমনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরগা নিরাব মোদি ফাখিবনি।

# IN THE HIGH COURT OF MANIPUR AT IMPHAL

**W.P. (C) No. 203 of 2019**

**In the matter** of Writ Petition under Article 226 of the Constitution of India for issuance of Writ in the nature of certiorari or any other appropriate writ/order/direction thereby praying for setting aside aggrieved portion of the order dated 22.6.2018 (Annexure -A/16) and impugned final seniority list dated 26.9.2018 (Annexure - A/20) in respect of the service of the petitioners against the available regular vacancy arose on 25.10.2010 considering the petitioner's seniority position maintain at the time of her initial appointment on 5.11.1999 and also to count her seniority w.e.f. 25.10.2010 as have been done in respect of other similarly situated incumbents.

Smt. M. Kheroda Devi, aged about 43 years, W/o Ksh. Tejkeshwar Singh, resident of Sagolband Tera Loukrakpam Leikai, P.O. & P.S. Imphal, District, Imphal West, Manipur - 795 001.

- Versus -

The State of Manipur through the Principal Secretary/ Commissioner (RD & PR), Government of Manipur, New Secretariat Building, P.O. & P.S. Imphal, District, Imphal West, Manipur - 795001 and 50 Ors. ...Respondent/s

**To**

| | | |
|---|---|---|
| 1. | Yumnam Lawrence | Respondent No. 3 |
| 2. | Laishram Bhagyapati Devi | Respondent No. 4 |
| 3. | Athokpam Suranjoy Singh | Respondent No. 5 |
| 4. | Khundongbam Rakesh Singh | Respondent No. 6 |
| 5. | Serena Thangjam | Respondent No. 7 |
| 6. | Garpeet Sinam | Respondent No. 8 |
| 7. | Santanu Roy | Respondent No. 9 |
| 8. | Loukrakpam Johnson Singh | Respondent No. 10 |
| 9. | Vishal Thangjam | Respondent No. 11 |
| 10. | Devarani Ningombam | Respondent No. 12 |
| 11. | Ruhana Shahani | Respondent No. 13 |
| 12. | Ngangom Sheema Devi | Respondent No. 14 |
| 13. | Pebam Ranna Singh | Respondent No. 15 |
| 14. | Waikhom Devratna | Respondent No. 16 |
| 15. | R.K. Sanatombi | Respondent No. 17 |
| 16. | Surjit Sukham | Respondent No. 18 |
| 17. | Sagolsem Surjumar Ninthouja | Respondent No. 19 |
| 18. | Kritica Thingjujam | Respondent No. 20 |
| 19. | Dwinata Elangbam | Respondent No. 21 |
| 20. | Shangila Soibam Chanu | Respondent No. 22 |
| 21. | Ksh. Thomi Meitei | Respondent No. 23 |
| 22. | John Kangujam | Respondent No. 24 |
| 23. | R.K. Sailash Singh | Respondent No. 25 |
| 24. | Hemam Ricky Singh | Respondent No. 26 |
| 25. | Tourangbam Janeshor Singh | Respondent No. 27 |
| 26. | Pebam Norendra Singh | Respondent No. 28 |
| 27. | Yumnam Rita | Respondent No. 29 |
| 28. | Aribam Sofia Devi | Respondent No. 30 |
| 29. | Shilpa Laishram | Respondent No. 31 |
| 30. | Sougrakpam Suraj Singh | Respondent No. 32 |
| 31. | Md. Abdul Munir | Respondent No. 33 |
| 32. | Gaiduangam Gangmei | Respondent No. 34 |
| 33. | Andrew Gaibonlung Kamei | Respondent No. 35 |
| 34. | Robert L. Hmar | Respondent No. 36 |
| 35. | Christina Laighazo | Respondent No. 37 |
| 36. | A. Ngainio Mickey Pao | Respondent No. 38 |
| 37. | L. Letgoulen Khongsai | Respondent No. 39 |
| 38. | Moshel Yunglamma | Respondent No. 40 |
| 39. | Paulina Singsit | Respondent No. 41 |
| 40. | Lamzolien Suantak | Respondent No. 42 |
| 41. | Kangbing Livingson | Respondent No. 43 |
| 42. | Mashun J. Ngasainao | Respondent No. 44 |
| 43. | MK. Yangini | Respondent No. 45 |
| 44. | Vahneithing | Respondent No. 46 |
| 45. | Khuilinang Panmei | Respondent No. 47 |
| 46. | Cyndia B. Darrimawi | Respondent No. 48 |
| 47. | Indika Konjengbam | Respondent No. 49 |
| 48. | Yumnam Anamika Devi | Respondent No. 50 |
| 49. | Sarangthem Johnson Meetei | Respondent No. 51 |

**NOTICE UNDER ORDER V RULE 20 P.C. (SUBSTITUTED SERVICE)**

Whereas the Hon'ble Court vide its order dated 06.03.2019 passed in WP(C) No. 203 of 2019 in the matter mentioned above has been pleased to permit the petitioner to serve notice to the Respondent Nos. 3 to 51 by way of "Substituted Service" through publication in 2 (two) local dailies, one in English and one in local vernacular returnable on 03.04.2019.

Now, therefore, notice is hereby issued to you by way of substituted service by making publication in the Newspaper requiring you to appear before the Court on or before the returnable in 4 (four) weeks either in person or by a lawyer duly authorized.

If no appearance is made on your behalf, by yourself or by your lawyer or by someone authorized by law to act for you in the aforementioned Case on the date of appearance or before such later date on which the Case may be heard and decided Ex-Parte in your absence.

Signed and sealed by order of the Court this the 16th day of March, 2019.

By: Ms. ***Th. Rebati, Advocate,***
Jr. to ***Kh. Tarunkumar, Advocate***

By Order,

**M.C. Nandini**
**ASSISTANT REGISTRAR-1**
High Court of Manipur, Imphal

*HL-P/6097/20,21*

# বি জে পিগী এম পি সক্রুঘন শিনহা কোংগ্রেসকী টিকেটতা মীরেপ ওইনা চোংথোক্লবা য়াই



ন্যু দিল্লি, মার্চ২০(এজেন্সী):
ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী এম পি সক্রুঘন শিনহানা হন্দক্কী লোক সভা মীখলদা কোংগ্রেসকী টিকেটতা মীরেপ ওইরবা য়াই হায়না রিপোর্টঅমনা ফোঙদোক্লি।

এক্টর ওইরম্বদগী পোলিটিক্সতা খোঙদারকখিবা সক্রুঘন শিনহানা মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। পার্টিগী লুচিংবশিং থৌশাদে হায়বগীদমক মহাকপু হন্দক্কী লোক সভা মীখলদা বি জে পিগী মীরেপ ওইহন্দবা য়াই হায়না থাজনখি।

কুমজা ২০০৯ অমসুং কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা মহাক্না বি জে পিগী টিকেটতা মীরেপ ওইদুনা মায় পাকখিবনি। হন্দক্তি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদপু পটনা সাহিব পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইনা থাদোক্লবা য়াই হায়না থাজনরি।

পার্টিগী টিকেট ফংলরোই খনবদগী সক্রুঘন শিনহানা অতোপ্পা পার্টি অমগী টিকেটতা পটনা সাহিব কন্সটিট্যুএন্সিদগী মীরেপ ওইনা চোংথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি। মশাগী চহী ৭২ শুরবা লুচিংবা অসিনা পার্টিগী মায়োক্তা লৈবা থৌরাং কয়া লৌখৎখিবগা লোয়ননা জন্যুৱারি থাদা মমতা বেনর্জিনা শীন্দুনা কোলকতাদা পাঙথোকপা ওপোজিসন পার্টিশিংগী অচৌবা মীফম অমদা শরুক য়াখি।

হীরম অসিগী মতাংদা সক্রুঘন শিনহানা হায়খি, বি জে পিগী মেম্বর ওইজরবসু মীয়াম অমসুং লৈবাক্কী অপাম্বা মতুং ইন্না থবক তৌগনি। মতম অমদা অটল বিহারি বাজপায়ীনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা দেমোক্রেসিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনখি। হৌজিক্তি লৈবাক অসিদা দিক্টেটরশিপগী মওং অমা ময়েক শেংনা উবা ফংলে। থা অসিগী হৌগৎলকপদা মহাক্না লালু প্রসাদ য়াদবকী মচানুপা টেজাস্বি য়াদবকা উনখিবগী মতাংদা মীয়াম্না অঙকপা পোক্লখি। মতমদুদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না অথুবা মতমদা পার্টি থাদোক্লবা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

অমরোমদা, বিহারগী পুরনিয়া দিষ্ট্রিক্টতা বি জে পিগী এম পি ওইরম্বা উদয় সিংহনা পার্টি থাদোক্লগা কোংগ্রেসতা য়াওখ্রে। পুরনিয়া পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা মহাক কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইনা চোংথোরকপা য়াই হায়না থাজনরি। কোংগ্রেস হেদ ক্বার্টরসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়খি, হৌজিক্তি কোংগ্রেসতা য়াওরবনিনা পার্টি অসিগী লুচিংবশিংনা খঙহল্লকপা ৱাফম খুদিংমক থবক্তা ওন্থোক্লবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

করি মরমগী বি জে পি থাদোক্লক্লিবনো হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, কুমজা ২০০৪দা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর অটল বিহারি বাজপায়ীনা হায়রকপগী মতুং ইন্না বি জে পিদা য়াওখিবনি অমসুং কুমজা ২০১৪ দা পার্টিঅসিগী টিকেটতা মীখল থেংনদুনা পুরনিয়াদগী এম পি ওইনা মায় পাকখিবনি। হৌজিক্তি অটল বিহারি বাজপায়ীগুম্বা মতিক চাবা লুচিংবা অমত্তা বি জে পিদা লৈতবা মরম্না পার্টি থাদোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# বি এস পিগী লুচিংবী ময়াৱটি মীখলদা মীরেপ ওইররোই

লক্ষ্ণৌ, মার্চ২০(এজেন্সী):
বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি)গী লুচিংবী ময়াৱটিনা হন্দক্কী লোক সভা মীখলদা মীরেপ ওইররোই হায়না লাউথোকখ্রে।

অদুমওইনমক উত্তর প্রদেশতা মহাক্না বি এস পি অমসুং পার্টি অসিগা চৎমিন্নরিবা অতে অতোপ্পা পার্টিগী মীরেপশিং মায় পাকহন্নবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা বি এস পিগী লুচিংবী অসিনা হায়খি, হন্দক্কী মীখলদা মীরেপ ওইনা চোংথোক্লরোই। করিগুম্বা মীরেপ ওইবা তারবদি পার্টিগী ৱার্কর পুম্নমক অখন্নবা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অমদা ভোট খোম্বগী থবক তৌগদবা মরম্না অতে অতোপ্পা মফমশিংদা পার্টিগী মপাঙ্গল শোন্থরকপা য়াই। হন্দক পাঙথোক্কদবা মীখল অসিদা সমাজৱাদি পার্টি, বহুজন সামজা পার্টি অমসুং রাস্ত্রিয় লোক দলগী মীরেপ পুম্নমক মায় পাকহন্নবা হোৎনগনি। য়ু পি অমদি থংনরিবা ষ্টেট খরদা এলায়েন্সকী মীরেপ পুম্নমক শোয়দনা মায় পাকহনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেসনা হন্দক্কী মীখলদা বহুজন সমাজ পার্টিগা খুৎশম্নবগী ৱাফম হৌদোরকপদা মহাক্না অয়াবা পীখিদ্রবনি। হীরম অসিগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, উত্তর প্রদেশতা বি জে পি মায়থিবা পীনবগীদমক বি এস পিনা কোংগ্রেসকা খুৎশম্নদ্রবসু সমাজৱাদি পার্টিগা চৎমিন্নবা য়াই।

# ধরৱাদতা বিল্ডিং নিংখায়বদা শিখিবা মীওই পুন্না অহুম শুখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ২০(এজেন্সী):
কর্নাটকাগী ধরৱাদ দিষ্ট্রিক্টতা ঙরাং নুমিদাং বিল্ডিং নিংখায়বদা শিখিবা মীওই পুন্না অহুম শুরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মী কনবা অমসুং মতেং পাংবগী থবক্তা নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ)কী টিম অমা য়াওশিনখিবগা লোয়ননা বিল্ডিংগী অতেক-অকায় মরক্তা থিবা হুম্বগী থবক চথরি।

এন দি আর এফনা লোকল ওথোরিটিশিংগা খুৎশম্নদুনা রেস্ক্যু ওপরেসন চখবদা মীওই ৩৭ কনবা ঙমখি। রেস্ক্যু ৱর্করশিংনা অশিবা হকচাং অমা থেংনখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা বিল্ডিং নিংখায়বগী থৌদোক্তা শিখিবা মীওই পুন্না অহুম শুরে হায়রি।

পনবা য়াবদি ধরৱাদ দিষ্ট্রিক্টকী কুমারেশ্বর নগরদা ঙরাং শাবা লোইশিন্দ্রিবা বিল্ডিং অমা নিংখায়রকখিবনি। অহানবদা মীওই ৪০ রোম বিল্ডিংগী অতেক-অকায় মরক্তা ননশিনখ্রে হায়না থাজনখি।

থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা পুলিস অমসুং ফায়র টেন্দরশিং চঙশিন্দুনা মী কনবা অমসুং মতেং পাংবগী থবক পায়খৎখি।

# গুজরাট ষ্টেটকী লোক সভা মীখলদা ওফিসর ৪০০না ব্লেক মনি চঙশিল্লকপা মোনিটর তৌগদৌরি



অহম্মেদবাদ, মার্চ২০ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা গুজরাট ষ্টেটতা লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসর ৪০০ হেন্না থমদুনা ষ্টেট অদুদা ব্লেক মনি লাকপ্রা নৎত্রগা লাক্তব্রা হায়বগী মতাংদা য়েংশিন্নবা থবক শিন্নখ্রে।

ৱাফম অসি ঙরাং ইন্দিয়াগী ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপনি। গুজরাট ষ্টেটতা লোক সভাগী সিট ২৬কী পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অদু এপ্রিল ২৩দনি। মদুগী মাঙওইননা ষ্টেট অদুদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা খুদুম চল্লিবা ষ্টেট অদুগী ভোটরশিং অমদি ওপোজিসন্দা লৈরিবা কোংগ্রেস পার্টিগী ভোটরশিংগা চাংদম্নবদা শেল পীবগী থৌদোক শুংশোয় শোয়দনা য়াওরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈবা মরম্না ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসর ৪০০ হেন্না থবক শীজিন্নদুনা গুজরাট ষ্টেটকী মীখলদা অশেংবা অমদি মীচং মীখায় নাইদবা রিপোর্ট অমা ফংনবা হোৎনরি।

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা টোল ফ্রী নম্বর অমা ওইনা-১৮০০২৩৩৭৪৪৪ থমদুনা মীওই অমনা করিগুম্বা চিংনবা লৈবা থৌদোক অদুগী পাউদম পীদনা মখা তাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবগী থৌশিল অমা দিপার্টমেন্টঅসিনা শিল্লক্লিবনি।

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর জেনরেল ওইরিবা অমিট জ্যেননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা গুজরাটকী দিষ্ট্রিক্ট ৩৩ শিনবা থুংনা দিপার্টমেন্ট অসিগী টিমশিং মফম চানা থমদুনা লৈখ্রে হায়রি।

অমিট জ্যেননা মখা তানা ফোঙদোক্লদুনা গুজরাট ষ্টেট খক্তা নত্তনা দ্যু, দামন অমসুং দদ্রা অমদি নগর হবেলিদসু ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা মীখলগী মতাংদা শেল শীজিন্নবা অমসুং লাকপগী মতাংদা কৃপ্না য়েংশিনগদৌরি হায়রি।

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী তোঙান্না থম্লিবা এয়র ইন্টলিজেন্স য়ুনিটনা ষ্টেট অদুগী এয়রপোর্টশিংদা মফম চানা লৈদুনা অরাকপা অমসুং চৎখিবা মীওইশিংনা করি পুখি অমসুং করম্বা পোৎলমশিং পুশিল্লখিবগে হায়বগী মতাংদা য়েংগদৌরি।

# পিনাকি চন্দ্রঘোসনা ইন্দিয়াগী অহানবা লোকপালগী লুচিংবা ওইরগনি

ন্যু দেল্লি, মার্চ ২০ ঃ ইন্দিয়াদা করপসন মুখৎনবগী চঙশিল্লকখিবা খোঙথাংশিংদা মমিং লৈরবা সোসল ৱার্কর মহারাষ্ট্রগী অনা হজারেনা লুচিংদুনা সেন্টরদা লোকপাল অমসুং ষ্টেটশিংদা লোক অয়ুক্তা থম্নবগী খোঙজং কয়া চঙশিল্লকখিবা অদুগী মনুং চন্না লৈঙাক্লা লোকপালগী অহানবা লুচিংবা অদু সুপ্রিম কোর্টকী রিটয়ার্দ তৌখ্রবা জজ পিনাকি চন্দ্রঘোসপু থবক পুহল্লগনি হায়খ্রে।

সুপ্রিম কোর্টনা লোকপালগী লুচিংবা খন্নবগী মতম অদু চহী অসিগী ফেব্রুৱারী লোইশিল্লকপদা দেটলাইন পীখিবনি। অদুবু মদুদগী চেন্থরগা লৈঙাক অসিনা থা অসিদা লোকপালগী লুচিংবা অমা খল্লকখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লোকপালগী লুচিংবা খনবদা তোঙান তোঙানবা মায়কৈশিংগী মতেং কয়ারকহন্না লৌদুনা লাকখিবনি। লোকপালগী চৎনকাঙলোন অসি ষ্টেট শিনবা থুংনা লোকঅয়ুক্তচৎনহনবগী মথৌ তারি। সেন্টরদা লোকপাল চৎনরগা ষ্টেটশিংদা লোকঅয়ুক্ত চৎনদ্রগদি লৈবাক অসিগী এন্টিকরপসন য়ুনিটনি হায়না লৌনরিবা লোকপালগী পাঙ্গল মীয়ামনা শীজিন্নবা ঙম্লোইদৌরি। লোকঅয়ুক্তগী পাঙ্গল অসি মফম মতম চানা শীজিন্নবা য়াহল্লবদি ষ্টেটশিংদা লৈরিবা শেঞ্জা থুমজাগী অচৌবা অশোয়বা অসি চোংথোকপা ঙম্বগী লম্বেল অমদি চঙনা পীরি। লৈবাক অসিগী সোসল সাইন্টিষ্টশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা ৱাখল্লোনশিংদা লোকপাল অমসুং লোকঅয়ুক্তসকী ৱাখল্লোনশিং অসি মাঙফাওনদুনা বিল অমা ওইরম্বদগী এক্ট ওন্দুনা লুচিংবা খল্লে। অদুবু থবক ওইনা পাঙথোরকপদা চহী কয়া অমসু চঙখিগনি হায়না ফোঙদোক্লরি।

TODAY TODAY
BUMPER HOUSIE DRAW
In Aid of
"Mega Social Service Mission in Nambul River Bank"
Orgd. by : LLDC (Loukrakpam Leikai Development Committee)
Sagolband Loukrakpam Leikai, Near Naoremthong
21st March, 2019 (Thursday)
Venue : NAMBUL MAPAL, NEAR NAOREMTHONG Time : 6 : 00 P.M.
HOUSE FULL - ROYAL ENFIELD (350)
Q5, STAR & LINES - Rs. 8000/- each
2nd HOUSE FULL - Rs. 20,000/-
Ticket Rate : Rs. 500/-



N.B. : Free Mini Bumper Draw Ticket (House Full Rs. 10,000/-) will be given to those who buy BUMPER DRAW TICKET on or before 04 : 00 P.M. (21st March 2019)
HL-P/6101/21